# ৪১শুবা তেংনৌপল য়ুঠ ক্লব এনুয়েল স্পোর্টস মিট ৮ মেন সোক্কর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

টিম ১৯ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা ৪১শুবা তেংনৌল য়ুঠ ক্লব এনুয়েল স্পোর্টস মিট ৮ মেন সোক্কর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি তেংনৌল গভর্নমেন্ট হায় স্কুল গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৪২ তেংনৌপল এসিগী এমএলএ দি কুরুংথাংনা অথোইবা মীথুংলেন, দিপ্যুটি কম্মিন্সর তেংনৌপল, ঐচ রুপচন্দ্র না অখন্নবা মীথুংলেন অমদি এসপি তেংনৌপল এস ইবোমচানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এমএলএ দি করুংথাংনা বোল কিক ওফ তৌদুনা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা জমখো মেমোরিয়েল পল্লেল অমদি কিমনিও মেমোরিয়েল টিম মৌলপি অনীনা শান্নখি।

# ফার্ষ্ট ইলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিয়েল ৱুমেন কাং টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাংশঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ফার্ষ্ট ইলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিয়েল ৱুমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী নুমিৎ অদুদা এসএৱাইসি, সোরোক অতিংবী অমদি এলইসি বাবুপারা টিম না পাঞ্জল ৯–৯ ওইদুনা দ্রো ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেযচতা এমএনকে নিংথেম্বমনা এমআইটিএল জিরিবামবু পাঞ্জল ১২–৬দা মায়থিবা পীখি।



অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা এসএৱাইসি, সোরোক অতিংবীগী ময়োক্তা কেৱাইসি কলিনগর টিম অনীনা শান্নখি।

এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা কেৱাইসি কলিনগরনা কাং কাপ্পা হৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবী অমদি কেৱাইসি কলিনগর টিম অনীনা য়াম্না ফাজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীনা কেৱাইসি কলিনগরবু পাঞ্জল ১৩–৮ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এ ইবোতোন সিংহনা অম্পয়র ওইখি। অদুগা এনজি গাইনেশ্বর সিংহ না স্কোরর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং ইচেল ক্লব দিবোংগী মায়োক্তা এনএমকে, নিংথেম্বম টিম অনীনা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসি ই তোমতৌ সিংহ অমদি মহাক্কী মচিন–মনাওনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মখোয়গী মমাগী মীংদা কৎচবনি।

# আইজোল এফসিনা উলু লৌশিন্নবা হোৎনরি

*কোলকতা, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

হান্ননা ফেরেন্নর ফুটবোল্লর ৪ সাইন তৌখ্রবা আইজোল এফসিনা অমুকসু কায়র্জিস্থানগী মিদফিল্ডর বেক্তুর টালগাৎ উলুসু হন্দক্কী আই লীগ অসিগী সাইন তৌননবা হোৎনরি।

পাউগী সোর্স মতুং ইন্না হান্ননা ২০১৬–২০১৭, ২০১৭–২০১৮ ইদিসনদা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সতা শান্নরম্বা উলু হন্দক্কী সিজন অসিদদি ক্লব অসিদা অলফ্রেদ জারয়ান, করিম ওমোলাজা, চিকি ইদেং অমদি চর্চিল ব্রদর্সতা শান্নমীন্নরম্বা অস্সু মানা ক্রোমাংগা লোয়ননা শান্নমীন্নরবা য়ারি। নিংশিংবা য়াবা অমনা মমাংগী ইদিসনদা চর্চিল ব্রদর্স রিলিগেৎ তৌরম্বা য়াবদা উলুনা চেন্নাই সিটিগা শান্নবা মেটচ অমদা গোল মরি চনদুনা চর্চিল ব্রদর্সপু কনখিবনি।

২০১৭ কী আই লীগ চেম্পিয়ন আইজোল এফসিনা মমাং সিজন দা ৫শুবা মফমদা লৈহৌবদগী হন্দক্কী সিজন অসিদদি অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইননবা অকনবা মীৎয়েং থল্লিবনি। নিংশিং য়াবদি মরিপুরগী ক্লব নেরোকাগী মতম কুইনদগী কোচ ওইরক্লবা গিফ রাই খান আইজোল এফসিনা হন্দক্তা মখোয়গী ক্লবকী কোচ ওইনা লৌখ্রবনি।

# ৱার্ল্ড জুনিয়র রেষ্টলিংদা সিলভর মেডল ফংহৌরে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী জুনিয়র রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা মেন্স ৮৬ কেজি ফ্রি–ষ্টাইল কেটেগোরিগী ফাইনেলদা তর্কিগী অরিফ ওজেনগী মখুত্তা য়াম্না নক্কনা ১–২ দা মায়থিহৌবদগী চথরিবা জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংখ্রে। এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ান্সিপকী গোল্ড মেদালিষ্ট দিপক পুনিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা মালদোভাগী ইভান নেদিয়ালকোবু ৬–২ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকপনি।



অতোপ্পা অমনা ফ্রি–ষ্টাইল কেতেগোরিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নভিন সিহাগসু মেন্স ৫৭ কেজিগী ফাইনেলদা রসিয়াগী অখনেক ইদ্রিসোভকী মখুত্তা ১–১২ দা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফঙখি। নুপী কাংলুপকী ওইনদি কেজি ৫৭ কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর মান্সি আহলৱাত অমসুং আন্সুমালিক অহুমশুবা তাহৌরে।

# কিক বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোইনা মেডল কয়া লৌরকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

গৌৱাদা লৈবা প্রেদ্দেন ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, মপুসাদা পাঙথোকখিবা ২৪শুবা সেনিয়র, ২৩শুবা জুনিয়র, ২৩শুবা সব–জুনিয়র আইএকেও নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা গোল্ড ৭, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৭ লৌরকখ্রে।

মেডল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি– সব জুনিয়র বোইজতা এম ভারতবুসননা গোল্ড, এ ব্রুবারাজনা গোল্ড, এন বিকাসনা সিলভর, রাকেস অতোমনা সিলভর, এন রোনাসননা ব্রোঞ্জ, এস থোইবানা ব্রোঞ্জ, অমদি এন দিপুটসননা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

সেনিয়র মেনদা ৱাই রোহিট সিংহনা গোল্ড, দিন কচিন গোলমৈনা ব্রোঞ্জ, এন য়াইফবা মৈতৈ ব্রোঞ্জ, এল ওকেন সিংহ ব্রোঞ্জ, এস চন্দ্রকান্তনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজতা এন তুলসিদাস মৈতৈনা গোল্ড, এস চিংখৈ সিংহনা গোল্ড, এ রোমেস সিংহনা গোল্ড, এ হারিদাস মৈতৈনা গোল্ড, এমদি নৱাজ সারিবনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

জুনিয়র গার্লসতা এনন নন্দরানি দেবীনা সিলভর মেডল লৌরকখ্রে।

# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রাইয়েল সেলেক্সন ওক্টোবর ১০ দা তোঙান তোঙানবা মশান্নদা পাঙথোক্লগনি।

মশান্নশিং অদুদি–চহি ১৭ মখা নুপীমচাগী বাস্কেটবোল , চহি ১৭ মখা নুপা অমদি নুপীগী রাইফল সুটিং, চহি ১৪ অমদি ১৭ মখা নুপা অমদি নুপীমচাগী জিম্নাষ্টিক, চহি ১৭ মখা নুপা অমদি নুপীমচাগী করাটে দো ওক্টোবর ১০ দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী স্কুল প্লেয়রশিংনা থা অসিগী ২৬দগী ইন্ট্রি ফোর্ম দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্স স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী লৌরবা য়াগনি অমদি ফোর্ম থাজিনবগী মতমনা ওক্টোবর ৮ ফাওবা ওইগনি।

# মঙাশুবা টি–২০ দা ইন্দিয়া ৱুমেন টিমনা শ্রী লঙ্কা ৱুমেন টিমবু রন ৫১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কটুনায়াকি, সেপ্টেম্বর ২৫ঃ*

ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা তুর তৌদুনা কটুনায়াকিদা লৈবা এফটিজেৎ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ৫শুবা টি–২০ গী ঙসি ইন্দিয়া ৱুমেন টিম অমদি শ্রী লঙ্কা ৱুমেন টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া ৱুমেন টিমনা শ্রী লঙ্কা ৱুমেন টিমবু রন ৫১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা শ্রী লঙ্কানা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইদিয়ান ৱুমেন টিমনা ওভর ১৮.৩ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৫৬ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাবু রন ৫১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ইন্দিয়া ৱুমেন টিমগী রনশিং অদু– মিথালি রাজনা বোল ১৫দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১২, মধানানা বোল ২দা রন ০, জেমিমাহ রোদ্রিগুসনা বোল ৩১ দা ফোর ৬ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪৬, হরমনপ্রিট কৌর (কেপ্টেন)না বোল ৩৮ দা ফোর ৩ অমদি সিক্স ৫ য়ৈরগা রন ৬৩, ভেদা কৃষ্ণমুরথিনা বোল ৯দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৮, অনুজা পাটিলনা বোল ২দা রন ১, তানিয়া ভাটিয়া (ৱিকেট কিপর) না বোল ৩ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫, অরুনধাটি রেদ্দিনা বোল ৩দা রন ২, দিপটি শর্ম্মনা বোল ৫দা রন ২, রধা য়াদবনা বোল ২দা রন ১ অমদি পুনম য়াদবনা বোল ১দা রন ১ লৌবা ঙমখি।



ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কাগী বোল্লর শ্রীপালি ৱিরকোদিনা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২০, ওসাদি রনাশিংহেনা ওভর ৩দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৬, সাসিকালা সিরৱাদেনেনা ওভর ৩.৩ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ১৯, চমারি অথাপাথু (কেপ্টেন) না ওভর ৩দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৫, ইনোসি প্রিয়াধারসানি না ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ২৪, কেভিসা দিলহারিনা ওভর ২ দা রন ২২ অমদি নিলাকসি দে সিলভলনা ওভর ১দা রন ২০ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কা ৱুমেন টিমনা ওভর ১৭.৪ দা ৱিকেট ১০মক্তা রন ১০৫ খক্তমক লৌবদগী ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী রনশিং অদু য়াসোদা মেনদিসনা বোল ৯দা সিক্স ১ লৌরগা রন ১০, চমারি অথাপাথু (কেপ্টেন) না বোল ৩ দা রন ০, অনুসকা সঞ্জিৱানিনা বোল ৩৭ তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৯, সাসিকালা সিরিৱাদেনা বোল ১৮ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২২, ওসাদি রানাশিংহেনা বোল ২০দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২, নিলাকসি দে সিলভানা বোল ৩ দা রন ২, ইসানি লোকুসুরিয়াগীনা বোল ৪ দা রন ৩, রেবেকা ভানদোর্ট (ৱিকেট কিপর) না বোল ৫দা রন ১, শ্রীপালি ৱিরককোদিনা বোল ১ দা রন ১, কেভিসা দিলহারিনা বোল ২দা রন ২ অমদি ইনোসি প্রিয়াধরসানিনা বোল ৪দা রন ২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইন্দিয়া ৱুমেন টিমগী বোল্লর দিপটি শর্ম্মনা ওভর ৩দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৮, অরুনধাট রেদ্দিনা ওভর ৪দা রন ২৫, পুনম য়াদবনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ১৮, রধা য়াদবনা ওভর ৩দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৪, অনুজা পাটিলনা ওভর ২.৪দা রন ১১ অমদি হরমানপ্রিট কৌর (কেপ্টেন) না ওভর ১দা রন ১০ পীখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*